# ইন্দিয়ানা মশাগী সোভরেন্টি ঙাক্লুবা লৈরিবা শক্তি পূন্নমক শিজিন্নগনি ঃ প্রসিদেন্ট কোবিন্দ





***কোইম্বাতোর, মার্চ ৪ঃ***

হন্দক ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা পাকিস্তানদা নোংথক্তগী বোমশিং থাদদুনা ফেব্রুৱারি ১৪গী পুলৱামা টেরর এটেককী লমন খুমদুনা এটেক তৌখিবা অদু পল্লদুনা ইন্দিয়ানা লৈবাকসিগী সোভরেন্টি ঙাক্লুবা লৈরিবা পাঙ্গল পূন্নমক শিজিন্নগনি হায়না প্রসিদেন্ট কোবিন্দনা হায়খ্রে।

ইন্দিয়ানা শান্তিগীদমক অচেৎপা ফিরেপ লৌরি, অদুবু মথৌতাবশিং লাক্লবদি লৈবাক অসিবু ঙাকথোক্লবা ঐখোয়গী শক্তি পূন্নমক ঐখোয়না শিজিন্নগনি। ঐখোয়গী আর্ম ফোর্সশিংনা ঐখোয়গী ফিরেপ অদু উৎখ্রে। টেরোরিষ্ট কেম্প অমদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা খঙহৌদনা এটেকশিং চখ্থদুনা হন্দক্তা ঐখোয়গী থৌনা অদু উৎখ্রে হায়না কোইম্বাতোর মনাক্তা লৈবা সুলুর এয়ার ফোর্স ষ্টেসন্দা প্রসিদেন্ট কোবিন্দনা হায়খি।

এয়ার ফোর্স ষ্টেসন, হকিমপেট অমসুং ৫ বেজ রিপিয়ার দিপোদা 'প্রসিদেন্ট কলর'শিং পীরবা তূংদা প্রসিদেন্ট কোবিন্দনা ৱা ঙাংখি।

এয়ার ৱারিয়রশিংনা খুদম উৎতুনা লৈবাকসিগী আর্ম ফোর্সশিংনা ঐখোয়গী লৈবাক অসি ঙাক্লুবা ঐখোয়গী অচেৎপা ফিরেপ অদু উৎখ্রে হায়না প্রসিদেন্টনা হায়খি।

লাম্মী ৪০ হেন্না হাৎখিবা কাস্মিরগী পুলৱামাদা চথ্থরকখিবা সুইসাইদ এটেক অদু শিনখিবা টেরর গ্রুপ– জৈইশ–ই–মোহম্মেদকী ট্রেনিং ফেসিলিটিদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা ফেব্রুৱারি ২৬তা বোমশিং থাদখিবা এয়ার ফোর্সকী এটেক অদুদা শিখিবা মশীং ফোঙদোকউ য়াখিদ্রবসু মদুদা টেরোরিষ্ট ৩০০ হেন্না শিখি হায়না থাজনৈ।

ঐখোয়গী লৈবাক্কী মনিংতম্বা অতিয়া ঙাক–শেনবতা নৎতনা আই এ এফনা মীওইবগী অৱাবা খুদোঙথিবা থৌদোকশিংদা অমসুং দিজাষ্টর রিলিফ ওপরেসনশিংদা হীরম পূন্নমক্তা মতেঙ পাংবদসু মমাঙ থারক্লি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

হকিমপেটতা লৈরিবা এয়ার ফোর্স ষ্টেসন অমসুং সুলুরদা লৈরিবা ৫ বেজ রিপিয়ার দিপো অনীমক অসি মথৌ পাংথোকপদা খ্বাইদগী হেন্না থাক ৱাংনা অমসুং পূক্লিংচংনা পাংথোকপগী ইনাকখুল্লবা ইতিহাস অমা লৈ অমসুং শান্তিগী মতম লোয়নবা লানগী মতমদা ইজৎ অমসুং মীথোই–মীহেনবগা লোয়নবা লৈবাক অসিগী থবক তৌরকখি হায়না প্রসিদেন্টনা হায়খি।

ঙসি লৈবাক অসিনা মখোয়গী কখোকপনা লাইনিং ওইরিবা, থাক ৱাংনা মথৌ পাংথোকপা অমসুং খুদোংথিবশিং ময়োক্লবদা মথৌনা লৈবা অদুগীদমক হকচাংন্না নুংঙাইবা অমসুং থাগৎপা ফোঙদোক্তুনা ইকাইখুন্নবশিং অসি পীরিবনি হায়না প্রসিদেন্ট কোবিন্দনা হায়খি।

মখোয়গী মথৌ পাংথোকপদা থোইদোক–হেন্দোকপা অদুগীদমক শকখঙদুনা এয়ার ফোর্স ষ্টেসন হকিমপেট অমসুং ৫ বেজ রিপিয়ার দিপো, সুলুরদা কলরশিং পীবদা ঐহাক্না নুংঙাইবা পোকচৈ হায়না মহাক্না হায়খি।

# ঐ নোবেল পিছ প্রাইজগী মতিক চাদে, কাস্মিরগী য়েৎনরিবা ৱাথোক লোইশিনবা মীদুদা পীগদবনি ঃ ইমরান খান

***ইস্লামাবাদ, মার্চ ৪ঃ***

ইন্দিয়াগা ৱাংনা উংখৎনরম্বশিং অদু মুখৎপা ঙম্বগীদমক নোবেল পিছ প্রাইজ অমা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান্দা পীনবা মাগী শৌগৎপশিংনা সোসিয়েল মেদিয়াদা ফোঙদোক্লখিবা অমসুং গভর্ণমেন্টনা পুখৎলকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা ঐহাক নোবেল পিছ প্রাইজ অদু ফংনবগী মতিক চাদে হায়না পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



অসিগুম্বা নোবেল পিছ প্রাইজ অসি ফংবগী মতিক চাবা মীওই অদুদি কাস্মিরি মীয়ামগী অনীংবা মতূং ইন্না কাস্মিরগী য়েৎনরিবা অসি লোয়শিনবা ঙম্বা অমসুং সব–কন্টিন্টে অসিদা শান্তি অমসুং মীওইবগী নূংঙাই য়াইফবা অদু পুরক্লবগী লম্বী ফাৎপা মীওই অদুনি হায়না ত্বিটরদা ইমরান খাননা হায়খি।

ইস্লামাবাদ অমসুং ন্যু দিল্লিগী মরক্তা উংখৎনরম্বশিং হন্থহনবদা মহাক্না লৌখিবা থৌদাং অদুগীদমক মহাক নোবেল পিছ প্রাইজ অদু ফঙফম থোকই হায়বা ৱারেপ অমা ইমরান খানগী মিনিষ্টর ফৱাদ চৌদ্রিনা পাকিস্তানগী নেসনেল এসেমব্লিদা থাগৎলকখি।

ইন্দিয়ান লিদরসিপকী লান পাম্বা লিচৎকী মরমদগী থোকহল্লকখিবা পাকিস্তান অমসুং ইন্দিয়াগী উংখৎনবা অদু হন্থহনবদা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টরনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌখি হায়না ৱারেপ অদুনা হায়খি।

লাম্মী ৪০ হেন্না শিখিবা পুলৱামা টেরর এটেককী দায়ত্ব ওইরিবা জৈশ–ই–মুহম্মেদকী ট্রেনিং কেম্প অমদা ফেব্রুৱারি ২৬তা পান্দম থমদুনা ইন্দিয়ানা নোংথক্কী এটেকশিং চথ্থরখিবগী মতূং য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনীসিগী মরক্তা য়েংথিনবা হেনগৎলকখিবনি।

মদুগী নোংমগী তূংদা ইন্দিয়াগী মিলিটরি ইনষ্টোলেসনশিংদা টার্গেট তৌনবা পাকিস্তাননা লাইন ওফ কন্ট্রোল ৱাংমদা ফাইটর প্লেন ২৪ থাজিল্লকখি। নোংথক্কী লান অদুদা ইন্দিয়ান ফাইটর পাইলোট ৱিং কমান্দর অভিনন্দন বর্তমানগী প্লেন অদু কাপথখ্রবগী তূংদা মহাক লাইন ওফ কন্ট্রোলগী পাকিস্তানগী নাকন্দা তারকপদগী পাকিস্তাননা ফাখি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প য়াওনা মালেমগী লূচিংবা কয়ামরুমদগী অকনবা শাফু ময়োক্লরবা ইমরান খাননা ইন্দিয়ান পাইলোট অদু থাদোক্লগনি হায়না নেসনেল এসেমব্লিদা লাওথোকখি। মদুনা উংখৎনবগী মৈশা হন্থহনখি অমসুং লাঞ্জাও থোক্লমগদবদগী হন্দোক্লখি।

পাইলোট অদু মার্চ ১ ইরাই নুমিৎতা ইন্দিয়াদা খূৎশিন্নরকখি। নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবদা ইমরান খানদা নোবেল পিছ প্রইজ পীনবা ৱাফম ফোঙদোক্তুনা মীওই ৩,০০,০০০ হেনবনা ওনলাইন পিটিসনশিংদা সহি তৌখ্রে।

# হোং কোংদা যোগদা গিন্নেস ৱার্ল্ড রেকোর্দ থমখ্রে



***হোং কোং মার্চ ৪ঃ***

যোগদা গিন্নেস ৱার্ল্ড রেকোর্দ অমা থমদুনা যোগা পামজবা মীওই ১,০০০ হেনবনা মফম অমত্তদা মিনিট ৩ বিরাবথ্র আসন পাংথোকখ্রে।


প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী থাগৎনিঙাই ওইরবা অনৌবা থৌরাং অদুদা ঈনোৎ হাপ্পবগী পান্দমদা ঐখোয়না যোগগী অমত্তা ওইনা পূশিনবগী শক্তি অদু মালেম পুম্বদা মনূং থিৎনা খঙহনবা পাম্মী হায়না হোং কোং অমসুং চিনাগীদমক বি জে পিগী ওভরসিজ প্রসিদেন্ট সোহন গোয়েঙ্কানা হায়খি।

হোং কোংগী সন য়াৎ সেন মেমোরিয়েল পার্কতা যোগ প্রাক্টিসনর ১০১১ হেনবনা বিরাবথ্র আসন নৎত্রগা ৱারিয়র–২ পোজ উৎতুনা যোগ প্রাক্টিসনর ৩৭৮না উৎখিবা মমাঙগী রেকোর্দ অদু থুগাইদুনা থল্লিবা রেকোর্দ অসি হোং কোংগী ইতিহাসতা মখল অসিগীদা অহানবনি হায়না বি জে পিগী ওভরসিজ প্রসিদেন্ট অসিনা হায়খি।

# দিগবিজয় সিংহগী তূংদা কপিল সিবলনসু জৈস টেরর কেম্পতা আই এ এফ এটেককী প্রমান পীনবা দিমান্দ তৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি মার্চ ৪ঃ***

কোংগ্রেস লূচিংবা দিগবিজয় সিংহগী মতূংদা পার্টি অসিগী সেনিয়ার লিদর কপিল সিবলনসু পাকিস্তানদা জৈইশ–ই–মুহম্মেদকী খ্বাইদগী চাওবা কেম্প থুগাইখিবা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী এটেক অদুগী প্রমান পীয়ু হায়না দিমান্দ তৌখ্রে অমসুং টেররগী মতাংদা পোলিটিকেলগী তোংজবা লৌনবা হোৎনৈ হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিদা মরান শিখ্রে।



DIGVIJAYA SINGH



KAPIL SIBAL

ন্যু য়োর্ক টাইমস, ৱাসিংটন পোষ্ট, লন্দনদা লৈবা জেন ইনফোর্মেসন গ্রুপ, দেল্লি টেলিগ্রাফ, গার্জিয়ান অমসুং রোইটরসনচীংবা ইন্টরনেসনেল মেদিয়ানা পাকিস্তানগী বালাকোটতা মিলিটেন্টশিং শিখি হায়বগী প্রমান লৈতে হায়না ফোঙখিবা অদু শোয়দনমক মোদিজিনা পাউখুম পীগদবনি হায়না সিবলনা হায়খি। নহাক টেররদা পোলিটিশাইজ তৌবগী মরান লৈরে হায়না ত্বিটরদা মহাক্না হায়খি।

কোংগ্রেসকী ৱাঙাংলোই মকোক রন্দীপ শুরজেৱালানসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা, ফেব্রুৱারি ২৬তা এয়ার এটেক অদুদা টেরোরিষ্ট ৩০০ শিখি হায়বা টিভি ন্যুজ অদু মাগী মিনিষ্টরশিংগী মনূংদগী অমনা য়াখিদবনা লৈরিবা চীংনবা অদু শেঙদোক্লবা দিমান্দ তৌখি। টেরোরিষ্ট ৩০০ শিখি হায়বদু অচুম্বা নৎত্রবদি প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাকসিদা অচুম্বদু হায়ফম থোকই হায়না মহাক্না হায়খি।

পঞ্জাব মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেস লিদর নবজোট সিংহ সিধুনা হায়খি, টেরোরিষ্ট ৩০০ শিখি, চুম্ব্রা নৎত্রগা চুমদবরা? চুমদ্রবদি এটেক অদু করি কান্ননবা তৌবনো? নখোয়না তৌরিবসি টেরোরিষ্টশিং মরু ফুকতৎলিব্রা নৎত্রগা উ পাম্বীশিং মরু ফুকতৎলিব্রা? মদু ইলেক্সনগী মীত্রং অমরা? অর্মিদা পোলিটিশাইজ তৌবা তোক্লো। আর্মিদি ষ্টেটকুম্না অশেঙবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মসিগী মমাঙদা সেনিয়ার কোংগ্রেস লিদর দিগবিজয় সিংহনা পাকিস্তানদা ইন্দিয়ানা চখ্থখিবা এয়ার এটেক অদুদা ৱাহং হংখি অমসুং প্রমান পীয়ু হায়না দিমান্দ তৌখি।

*বলাকোট এটেককী চয়েৎনবা*

# অশিবা মশীং থিবা ঐখোয়গী থবক নৎতে, মদু গভর্ণমেন্টনা তৌবা য়াই ঃ এয়ার চীফ মার্শেল ধনোৱা



***কোইম্বাতোর, মার্চ ৪ঃ***

পাকিস্তানগী বলাকোটতা টেরর ট্রেনিং কেম্প অমদা পান্দম থমদুনা চখ্থখিবা ফেব্রুৱারি ২৬কী এয়ার এটেক অদুদা শিখিবা টেরোরিষ্টকী মশীং পীনবা হংলকখিবা ৱাহং অমদা মী কয়া শিখ্রবগে হায়বদু ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স (আই এ এফ)না মশীং থিগদবা নৎতে হায়না ঙসি এয়ার চীফ মার্শেল বি এস ধনৱানা হায়খ্রে।

ঐখোয়না মী কয়া শিখ্রে হায়বদু মশীং থিবা ঙমদে, মদু মফম অদুদা লৈখিবা মী মশীংগী মখা পোল্লি হায়না প্রেস কনফরেন্স অমদা এয়ার চীফনা হায়খি।

এয়ার ফোর্সনা অশিবশিংগী মশীং থীনবগী ফিভম অমত্তা লৈতে। পাকিস্তানগী লিখুনশিং পল্লদুনা ৱার্ল্ড মেদিয়াগী সেক্সন অমদা চীংনবা রিপোর্টশিং থোক্লকখ্রবগী তূংদা এটেক অদুগী ফল করিনো হায়বগী পোলিটিকেলগী চয়েৎনবা অমগী মরক্তা হংলকখিবা ৱাহং অদু এয়ার চীফ মার্শেলনা পাউখুম পীখি।

এটেক অদু মায় পাকপা অমা ওইখি হায়রবসু গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ফাওবদা মদুদা শিখিবা ওফিসিয়েল ওইবা মশীং পীদ্রি। ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা টেরোরিষ্ট ২৫০ হাৎখ্রে হায়খি। এটেকশিংগী নুমিৎতুদদি টেরোরিষ্ট ৩০০ শিরে হায়না ঙাংনখি অদুবু কনামতনা মদু অশেংবা ওইনা রেকোর্টতা থমদে।

এয়ার ফোর্সনা মনূংদা মীওই কয়া লৈখি হায়বা শেঙদোক্লবা ফিভম লৈতে। ঐখোয়না মী শিবা মশীং থিবা ঙমদে। ঐখোয়না মশীং থিরিবদি ঐখোয়না থাবা নৎত্রগা থাবা ঙমখিদবা টার্গেটশিং অদুনি। বোমনা শোকহনখিবা চাং অদু মিসন অমগী মতূংদা পাংথোকই। ঐখোয়না থাবা ঙমখিবা টার্গেট নৎত্রগা ঙমখিদবা টার্গেটশিংগী মশীং হোৎলি।

টার্গেট অদু ফোরেন সেক্রেটরিনা মাগী ষ্টেটমেন্টতা ময়েকশেংনা ফোঙদোকখ্রে। করিগুম্বা টার্গেট অদুদা থাননবা থৌরাং তৌখ্রবদি টার্গেট অদু ঐখোয়না থাই। মদু নৎত্রবদি মখোয় (পাকিস্তান)না করি মরমগী খূৎ হল্লকদৌরিবা? ঐখোয়না বোমশিং অদু মফমদুগী জঙ্গলদা থাদখিবা ওইরবদি পাউখুম পীরক্লবগী মথৌ তাদ্রে হায়না ফোঙদোক্লদুনা এয়ার এটেক অদুনা টার্গেটতা পানখিদে হায়বগী শিরকখিবা মরানশিং অদু মহাক্না ওফিসিয়েল ওইনা ককথৎখি।

ফাইটর জেটশিংগী নোংথক্কী লান অদুগী মরমদা হংলকখিব ৱাহং অমদা, হৌজিক চখ্থরিবা ওপরেসন অমগী মতাংদা মহাক্না মত ফোঙদোকপা য়াদে হায়না এয়ার চীফ মার্শেলনা হায়খি।

লাইন ওফ কন্ট্রোলগী পাকিস্তান লোম থংবা নাকনলোমদা ৱিং কমান্দর অভিনন্দন বর্তমাননা বোম থাদরুবদা পাকিস্তানগী এফ–১৬ অমগা মুক্লবগা লোয়ননা মহাক্কী প্লেন অদুদা কাপশিলকপদা মহাক প্লেনদুদগী ইজেক তৌখিবনি।

আই এ এফ পাইলোটশিংনা পাকিস্তাননা শিজিন্নরিবা হেন্না এদভান্স ওইরবা এফ–১৬শিং অদুগা ময়োক্নবা মিগ –২১ বিশোনশিং শিজিন্নখিবা করিগীনো হায়বা ৱাহং অমদা চখ্থরিবা ওপরেসনশিংগী মতাংদা ঐখোয়না মত পীরোই। মিগ–২১ বিশোন অসি হান্নদগী হেন্না ফগৎলবা অপগ্রেট তৌরিবা অমনি। হেন্না ফবা রাদর, এয়ার– টু –এয়ার মিশাইলশিং অমসুং হেন্না ফবা ৱিপন্সস সিষ্টেম য়াওই হায়খি। চখ্থখিবা অদু প্লান ওপরেসন অমনি হায়বদি নখোয়না প্লান তৌই অমসুং থবক পাংথোকই হায়বনি। য়েক্লবা অমনা নখোয়দা এটেক অমা তৌরকপদা এয়ারক্রাফ অদু করম্বনো হায়বা থিদনা অফঙবা এয়ারক্রাফ পূন্নমক শিজিন্নগনি। এয়ারক্রাফ পূন্নমক য়েক্লবা থেংনবা ঙম্বগী শক্তি লৈ হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# তামিল নাদুদা বি জে পি এলায়েন্সকী অচৌবা মীফম পাংথোক্কদৌরি

***কাঞ্চিপুরম, মার্চ ৪ঃ***

য়ুনিয়ন রেলৱেজ মিনিষ্টর পীয়ুস গোয়ালনা বি জে পি, এ আই এ দি এম কে অমসুং পি এম কে–এন দি এ পার্টিশিংগী অচৌবা মীফম অমা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা তামিল নাদুগী কাঞ্চিপুরম দিষ্ট্রিক্টতা পাংথোক্লগনি হায়না ঙসি লাওথোকখ্রে। মীফম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং তামিল নাদু চীফ মিনিষ্টর ইদাপ্পদি কে পালানিস্বামি য়াওনা লূচিংবা কয়ামরুমনা ষ্টেজদা পূন্না ফমিন্নগনি।

অকনবা এলায়েন্স অসিনা তামিল নাদুগী লোক সভা সিট ৪০মক লোয়না মায় পাক্লবা থবক তৌগনি হায়না মিষ্টর গোয়ালনা হায়খি।

লৈবাকসিদা অকনবা গভর্ণমেন্ট অমা শেন্নবা অমসুং নাকন পূন্নমক্তা দিভলপমেন্ট পুরক্লবা তামিল নাদুগী অমসুং ইন্দিয়াগী মীয়ান্না অকনবা অমসুং মরুওইবা মেন্দেট অমা পীরক্কনি হায়বসিদা ঐখোয়না থাজে হায়না মিনিষ্টরনা হায়খি।

লৈবাক অসিনা হৌজিক মখল কয়াগী শীংনবশিং, মরুওইনা টেরোরিজমদগী শীংনবা ময়োক্লরি হায়বা ৱাফম থম্লদুনা মিষ্টর গোয়ালনা অকনবা লূচিংবা অমনা লূচিংগদবা অকনবা অমসুং মরাচেৎপা গভর্ণমেন্ট অমগী মথৌ তারি হায়খি।


লৈবাক অসিবু কনগুম্বা অমত্তনা শোকপা ঙমহন্দনা শাফনা থম্বা ঙম্বা অমসুং ঐখোয়গী য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটি ঙাকপা ঙম্বা লূচিংবা অদু ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পাকিস্তানদা টেরর কেম্পশিংদা চথ্থখিবা ঐখোয়গী এয়ার এটেকশিংগী প্রমান উৎনবা ওপোজিসনগী ৱাঙাং অদুবু চৈরদুনা ঐখোয়গী এয়ার এটেকশিংগী মতাংদা ৱাহং পুখৎলিবা ঐখোয়গী ওপোজিসন অসি ঈকাইনিঙাইনি। ঐখোয়বু ঙাক্লুবা মথৱাই কখোক্লবগী থৌরাং তৌরিবা ঐখোয়গী আর্ম ফোর্সশিংদা ঈকাইবা পীবনি হায়খি।

# ইন্দোনেসিয়া খোনি মনূংদা য়ামদ্রবদা হৌজিকসু মীওই ১০০ লৈরি হায়না চিংনরি

***জকরটা, মার্চ ৪ঃ***

ইন্দোনেসিয়াদা নীংখাইরকখ্রবা আইননা য়াদবা সনাগী খোনি অদুগী মনূংদগী য়ান্না কন্না হোৎনদুনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৯ হীংনা লৌখৎলকখ্রবা অদুবু মীওই ৭তি শিনা ফঙখ্রবা অদু ফাওবদা হৌজিকসু মনূংদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০০ চপতুনা লৈরমখিবা য়াই অমসুং মখোয় অদু শিরম্বা য়াই হায়না ওথোরিটিজনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লৈবাক নীংখাইবগী থৌদোক অমনা খুদোংথিবা অদু থোকহনখিবনি। মদুগী মতূংদগী খোনি অদুগী খুদোঙ থিনিংঙাই য়ৌনা অখুবা কাখলশিং অমসুং নীংখাইগনবা অফাবা লৈবাক লোয়ননা চপ য়ুংনা ঙম্বা ফিভম অদুনা রেস্ক্যু টিমশিংবু খুদোঙথিহল্লি।

অদুমকপু সুলাৱেসি ঈথৎতা লৈবা লইসেন্স য়াওদনা চল্লাইবা সনাগী খোনি অদুগী মনূংদা লৈখ্রবশিং অদু কন্নবগী থবক অতোপ্পা চয়োল অমা ফাওবা মখা চথ্থিগনি হায়রি।

নিংখাইখ্রবা সনাগী খোনি অদুগী মনূংদগী হিংনা কল্লকখ্রবা মীওইশিং অদুনা অমত্তা মান্নদবা, তোঙান তোঙানবা মশীং হায়বা মরম্না খুদোঙথিবা থোকপা মতম অদুদা মনূংদা মাইনর মশীং কয়া লৈবগে হায়বদু হৌজিক ফাওবা খঙবা ঙমদ্রি হায়না নেসনেল দিজাষ্টর এজেন্সিগী ৱাঙাংলোই সুটোপো পুরৱো নুগ্রোহোনা হায়খি।

মীওই খরনা ৩০, ৫০, ৬০নি হায় অদুগা খর অমনা মীওই ১০০নি হায়। মরমদি মতম অদুদা খোনি অদুগী মরুওইবা কোম অদুগী মনূংদা মীওই ময়াম অমা লৈখি। মদুগী মথক্তা অপীক– অপীকপা মশা–মরেং ওইবা কোমশিংদা অতৈ মীওইশিংসু লৈখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা মহাক্না হায়খি।

# চাইনিজ চেন্নেলনা মালেমগী অহানবা নুপী রোবোটিক ন্যুজ এঙ্কর শীজিন্নখ্রে



***বৈজিং, মার্চ ৪ঃ***

চাইনিজ চেন্নেল অমনা মালেমগী মনূংদা ইহান হানবা নুপী রোবোটিক ন্যুজ এঙ্কর অমা শিজিন্নখ্রে।

চিনাগী জিনহুৱা ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা মীমক মানবা রোবোট নুপী অমবু ন্যুজ এঙ্কর ওইহনখি। রোবোট নুপী অদুনা বৈজিংদা পাংথোক্লিবা চহীগী ওইবা পালিয়ামেন্ট মীফম য়াওবা লাক্লিবা দিলিগেটশিংগী মরমদা ৱারী অমা চেন্নেল অদুদা লানথোকপদা মীওইবগী মমায়দা তারিবা ৱাখলগী মমি অমসুং লিচৎ শাজৎশিং অদু লোনমক তৌই। 'জিন জিয়াওমেং' কৌবী আর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্স রোবোট অদু শম তেন্না ককই, পিঙ্ক মচুগী ব্লাউজ অমা লিৎলি, মনাদা লিক শি। মহাক্না জিনহুৱাগী মিনিট অমগী ভিদিও অদুদা ন্যুজ ষ্টোরি অদু মিনিট ১ লাম্বোকখি।

জিন জিয়াওমেং কৌবী রোবোট অসি জিনহুৱাগী কু মেং কৌবী অশেঙবা এঙ্কর অদুগী মশক মতৌ লৌরগা শাবনি। জিনহুৱা অমসুং টেক ফার্ম সোগৌ ইঙ্কনা দিভলপ তৌবনি।

সর্ভেলেন্স ইক্যুপমেন্টতগী হৌরগা মশা মতোমতা থৌজবা কার ফাওবা– অর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্স টেক্নোলোজিদা চিনানা ময়ামদগী মাঙজিন থানবা কন্না হোৎনরক্লি।

## SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.

**Hard Sana Suduku-58**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | | 4 | 1 | 6 | | | |
| | 6 | | | 3 | | 8 | 9 | |
| | | 3 | 9 | | | 6 | 2 | |
| | | 4 | | | 9 | 3 | | 6 |
| 9 | | 6 | | 4 | | 2 | | |
| 1 | 3 | | 7 | | | | 4 | |
| | | 1 | 6 | | 4 | | | 8 |
| 6 | 4 | | | | 3 | | | |
| 7 | 9 | | | | 2 | | | 3 |

## GAS TODAY

**Mahalaxmi**
Booking : 19/01/19
Valid : 15/01/19
Sl. No. : 241536
Stk : 306
Time : 07.30 to 12 noon.

**Khoriphabal Gas**
Booking :28/01/19
Valid : 24/01/19
Sl. No. : 18313 to 18620
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

**Canchi Indane (Rs. 819)**
Booking : 14/01/19
Valid : 11/01/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**R B D Indane Service**
Booking : 11/01/19
Valid : 29/12/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Imphal L.P.G.**
Stk : 306, 5kg available
Advance Customer only
Time : from 08.00 a.m.
Delivery at Heinoupok

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 25/12/18
Valid : 11/12/18
Stk : 918
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**J. Rongmei Indane, Wangoi**
Sl. No. : 31701 to 32000
Stk : 306
Time : 08.30 to 09.30 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 27/12/18
Valid : 26/12/18
Sl. No. : 9381 to 9810
Stk : 306
Time :07.00 to 11.00 a.m

**Ashangbi Indane, Sugnu**
Booking : 11/01/19
Valid : 01/01/19
Stk : 612
Delivery on 5 & 6 March
Time : 09.00 to 11.00 a.m

**K & K Indane (Rs. 819)**
Booking : 02/02/19
Valid : 28/01/19
Stk : 612
First come first serve
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**M. M. Gas Service (Rs. 819)**
Booking : 11/01/19
Valid : 07/01/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Misao Gas**
Booking : 28/01/19
Valid : 05/01/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking : 04/01/19
Valid : 31/12/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**সনা–সুদোকু –৫৭ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 9 | 6 | 3 | 2 | 7 | 5 | 8 | 1 |
| 5 | 3 | 1 | 4 | 9 | 8 | 7 | 6 | 2 |
| 7 | 2 | 8 | 6 | 5 | 1 | 9 | 3 | 4 |
| 6 | 4 | 2 | 8 | 1 | 5 | 3 | 9 | 7 |
| 9 | 8 | 3 | 7 | 6 | 2 | 1 | 4 | 5 |
| 1 | 5 | 7 | 9 | 3 | 4 | 6 | 2 | 8 |
| 2 | 6 | 5 | 1 | 8 | 3 | 4 | 7 | 9 |
| 8 | 7 | 9 | 5 | 4 | 6 | 2 | 1 | 3 |
| 3 | 1 | 4 | 2 | 7 | 9 | 8 | 5 | 6 |